# পাকিস্তান্না টেররিষ্টশিংগী মথক্তা ঙন্নিবমখৈ এক্সন লৌখৎকদবনি : য়ু এস



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৭ ঃ

ন্যু দিল্লি অমসুং ইস্লামাবাদকী মরক্তা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বা নৌহৌননা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিষ্টান্দা লৈবাক অসিদা নত্তনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংদসু টেররগী থবক থৌওংশিং চত্থরিবা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা আপিল তৌখ্রে।

ৱাশিংটনদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি মার্ক টোনরনা হায়খি অমগা অমগা তাথিনরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা দাইলোগ চত্থবনা য়ু এসতা চাউনা কান্নহনগনি। মহাক্না ইন্দিয়া পাকিস্তান অনীবু ৱারী শান্নবদা পুক্নিং থৌগৎখি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা হেন্না পাকথোক চাউথোক্না ৱারী শানবা অমসুং কাউন্টর টেররিজমগী লমদা কো-ওপরেসন পীনবগী ৱাফমদা য়ু এসনা পুক্নিং থৌগৎলি। ৱাফম অসি হঞ্জিন-হঞ্জিননা পনখ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদু লৈবাক অনীমক্কী ফনবগীদমক্তনি, লমদম অসিগী ফনবগীদমক্তিং তশেংনমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কান্ননবগীদমক্তনি।

পাকিষ্টানদা নত্তনা লমদম অসিগী অতৈমফমশিংদসু টেররিষ্টশিংবু টেররগী থবক থৌওংশিং পাঙথোকপা থিংনবা পাকিষ্টান্না অঙম্বা থাক্তা থবক তৌবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, 'অমগা অমগা মতেং হেন্না পাংনবা অমসুং ৱারী শান্নবা তঙাই ফদে। মায়কৈ অসোমদা পায়খৎপা থবক খুদিংমক ঐখোয়না পুক্নিং থৌগৎকনি' হায়না টোনরনা হায়খি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়ানা ইস্লামাবাদকা পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মিরগী মতাংদদা ৱারী শানগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ফোরন এফেয়র্সকী লমদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইরিবা সরতাজ অজিজনা হায়খ্রে মদুদি, কাশ্মিরগী ৱাফমগী মতাংদা ৱারী শাননবা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়াবু ইনভাইট তৌনবা থৌরাং তৌরি।

# বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরনা চাইনাগা অচেৎপা মরী থম্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

বৈজিং, ওগষ্ট ১৭ ঃ

চাইনানা শেল থাদবগী মতাংদা সিক্যুরিটিগী চিংনবা খরা লৈবনা মরম ওইদুনা লন্দননা দোল্লর বিলিয়ন ২৪ গী ন্যুক্লিয়র প্রোজেক্ট অমা থেংথহল্লি হায়বগী ৱাহৌদা য়েৎনবা লৈরিঙৈগী মরক্তা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরীসা মেনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রেমিয়রদা লল্লোন-ঈতিক অমসুং অমগা অমগা মতেং পাংনবা হেনগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর মেনা হৌখিবা থাদা ইংলন্দগী সোমরসেটতা পায়খৎকদবা হিঙ্কলি পোইন্ট ন্যুক্লিয়র প্রোজেক্ট সাইন তৌবগী ৱাফম থিন্থখিবা মতুংদা চাইনানা বৃটেনদা চাইনিজ শেলফমশিং চঙলকপদা তরাম্না ওক্তবগী মায়োক্তা চেকশিন-ৱা পীখি অমসুং লৈবাক অসিগী মরীশিং অরুবা তানফম অমদা লৈরে হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা ফোংখিবা ৱারোল অমদা চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা বৃটিষ্ট পাউখোল্লোই অমনা ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, বৃটেন্না সাইনো-বৃটিশ মরীবু য়াম্না লুনা লৌই।

ফোরন অমসুং কম্মনৱেল্ঠ ওফিসতা পার্লিয়ামেন্টরি অন্দর সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইরিবা অলোক শর্ম্মনা ৱাংদা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্ট সি জিনপীং অমসুং প্রেমিয়র লি কেপিয়াংদা মথং থাদা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জী ২০ সম্মিটতা য়াওননবা মহাক্না শেম শারি হায়বদু খঙহল্লদুনা মেনা লেট্টর ইখ্রে।

লল্লোন-ঈতিক বিজনেস অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিংগী মতাংদা বৃটেননা চাইনাগা মতেং পাংথোক পাংশিনগী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা পামই হায়না চাইনাগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা মেগী লেট্টর অদু পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

শর্ম্মনা ট্বীটরগী ৱারোল অমদা ৱাংগা মহাক্না ইহান হান্না উনখিবগী মতাংদা শিংথাখি।

মেগী মমাঙদা লৈরম্বা দেভিদ কেম্মরননা হিঙ্কলি পোইন্ট প্রোজেক্ট অদু বৃটেননা মীরৈবাক্তগী শেল থাদরকপদা তরাম্না ওকই হায়বগী খুদম অমনি হায়না ফোঙদোক্লমখি তৌইগুম্বসু মেনা চাইনিজ ইনভেষ্টমেন্টনা সিক্যুরিটিদা অকায়বা লাকপা য়াবা করি লৈবগে হায়বদু খঙদোক্লবা থৌরাং অদু হান্না রিভ্যু তৌবা পামই। চাইনাগী মায়কৈদগীদি প্রোজেক্ট অদু লেপ্তুনা কায়দনা চত্থনবা তকশিন্দুনা লৈরি। থৌরাং অদুদা ফ্রান্সকী ঈ দি এফনা রিয়েক্টর অনী শাগনি অমসুং চাইনাগী গভর্ণমেন্টনা রন তৌবা কম্পেনি চাইনা জেনরেল ন্যুক্লিয়র পৱার কোর্পনা মচীৎ ওইনা ফাইনান্স তৌগনি।

কুমজা ২০১৩ দা বৃটেন অমসুং ফ্রান্সকী ঈ দি এফনা হিঙ্কলি প্রোজেক্টতুগী মতাংদা অহানবা কর্ম্মসিয়েলগী ওইবা য়ানবা অমা পুরকখি। চহী অনী লৈরগা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা লৈবাক অনীগী মরীদা অনৌবা তাঙ্কক অমা হৌদোক্লবা খোঙচৎ অমা লাকখিবগা লোয়ননা চাইনাসু প্রোজেক্ট অদুদা য়াওরকখি।

প্রোজেক্ট অদুদা শরুক অহুম থোকপগী অমগী ষ্টেক পায়গদৌরিবা চাইনা জেনরেল ন্যুক্লিয়র পৱারনা অনৌবা বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা পায়খৎকদৌরিবা প্রোগ্রামদুগী মরমদা মমূৎ তানা খঙনবা মতম খরা লৌনবা ৱারেপ অমা লৌরক্লিবদু ইকায় খুম্নে হায়খি।

# কূগী লৌতুনবশিং থম্বা য়ানবা টর্কিনা ফাদোক ৩৮,০০০ থাদোক্কদৌরি



অঙ্কারা, ওগষ্ট ১৭ ঃ

হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা ফেল ওইখিবা মিলিটরিগী কূ অদুগী মরমদা থিজিন-হুমজিনবগী শরুক অমা ওইনা ফাগৎখিবা মীওই লিশিং কয়াগী মফম লৈহন্নবগীদমক্তা জেলগী মীশিং হন্থহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা টর্কিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দিক্রি অমা থোক্তুনা ফাদোক ৩৮,০০০ ফীভম খরদা থাদোকপা য়ানবগী লম্বী ফাৎখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা থোক্লিবা ওর্দর অদুনা চহী অনী নৎত্রগা চহী অনী য়ৌদবা মীয়াৎশিং লৈবা ইনমেটশিংবু থাদোকপা য়াহল্লি অমসুং প্রীজন টার্ম তঙ্খায় অমা সর্ভে তৌখ্রবা কনভিক্টশিংবু পেরোল থাবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। প্রিজনর খরদি খোঙথাংশিং অদুদা য়াওহন্দে। মখোয়দুদি, মীহাৎপা, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স, সেক্স্যুঅল এব্যুজ নৎত্রগা টেররিজম অমসুং ষ্টেটকী মায়োক্তা চত্থবা অতৈ ক্রাইমশিংনি।

অনৌবা খোঙথাংশিং অদু জুলাই ১ গী মতুংদা চত্থবা ক্রাইমশিংদসু চৎনরোই। খোঙথাং অদুনা মীওই ৩৮,০০০ থাদোক্লবগী লম্বী ফাৎকনি হায়না জষ্টিস মিনিষ্টর বেকির বোজদাসনা মহাক্কী ট্বীটর একাউন্টতা হায়খি। মহাক্না মদু ঙাকপীবগী থৌওং অমা নত্তে। তৌইগুম্বসু ফাদোকশিংবু কন্দিসন অমদা থাদোক্কনি হায়খি।

য়ামদ্রবদা মীওই ২৭০ শিহনখিবা জুলাই ১৫ গী কূ অদু য়ু এসতা বেজ তৌবা মুস্লিম ক্লারিক ফেটুলাহ গুলেননা লুচিংদুনা চত্থবা মুভমেন্টদা য়াওবশিংনা পাঙথোকখিবনি, মখোয়না টর্কিশ মিলিটরি অমসুং অতৈ ষ্টেট ইন্সটিট্যুসনশিংদসু খুৎ থিংজিল্লে হায়না টর্কিনা মরাল শীরি। অমরোমদা গুলেননা কূ দুবু মাঙজৌননা মহাক্না খঙখিদে নৎত্রগা মদুদা মহাক চেন্নখিদে হায়রি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মহাকপু থারক্লবা টর্কিনা দিমান্দ তৌরিবনি।

কূ অদুগী মতুং তারকপদা টর্কিশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট ওফ ইমরজেন্সি লাউথোকখি অমসুং গুলেনবু শৌগৎপশিংগী মথক্তা অচৌবা ফাবা পুনবগী থবক অমা চত্থখি। মীওই ৩৫,০০০ ৱাহং পাউহং তৌনবা ফাজিনখ্রে অমসুং মখোয়গী মনুংদগী লান্মীশিং, পুলিস, জজশিং অমসুং জর্নেলিষ্টশিং য়াওনা মীওই ১৭,০০০ হেন্না ৱায়েল চত্থনবা হৌনবী মতুং ইন্না ফাখি।

জুদিসিএরি, মিদিয়া, এদ্যুকেসন, হেল্ঠ ক্যের, মিলিটরি অমসুং লোকল গভর্ণমেন্টদা লৈবা মীওই লিশিং কয়া গুলেনগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনবদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে নৎত্রগা মফম থদৎখ্রে।

টর্কিশ গভর্ণমেন্টগী থৌওংদা নুংনাংবা পোক্লবা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংনা পুক্নিং ফাথনা থবক তৌনবা অঙ্কারাদা তকশিনখ্রে।

# চাইনা, অসিঅননা সাউথ চাইনা সিগী রুলশিংগী ফ্রেমৱার্ক লোইশিল্লগনি

বৈজিং, ওগষ্ট ১৭ ঃ

য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিদা টেন্সন হন্থহন্নবগী কোদ ওফ কন্দক্টকী ফ্রেমৱার্ক অমা মথং চহীগী ময়াম ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা চাইনা অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাকশিংগী গ্রুপিং অমনা পান্দম থল্লি হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১০ দগী চাইনা অমসুং এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিঅন) গী মেম্বর ১০ না য়াম্না মরু ওইবা মথৌ চিনবা ঈশিং লম্বী অদুদা রাইভেল ক্লেমেন্টশিংগী মরক্তা মুক্লবগী ফীভম লাকহন্দনবগী পান্দমদা চৎনপথাপ খরা খন্নদুনা লাকখি।

হৌখিবা থাদা হেগতা লৈবা অর্বিট্রেসন কোর্ট অমনা সাউথ চাইনা সিদা চাইনাগী হিষ্টোরিক টাইটল অমত্তা লৈতে অমসুং চাইনানা মফম অদুদা লৈরিবা ফিলিপিন্সকী সোভরন রাইটশিং খোঙ্গাওনখি হায়না রুলিং পীখি। ৱারেপ অদুদা খোইরাং খোইশাউনবা পোক্লবা বৈজিংনা কোর্ট অদুগী ওথোরিটি লৌখিদে। তৌইগুম্বসু বৈজিংনা মদুগী মতুংদা লৈবাক কয়াগা দিপ্লোমেসিগী মরীশিং ফগৎহন্নবা হোৎনরকখি।

নোর্থ ইষ্টর্ন চাইনাদা মীফম চত্থদুনা নাকল অনীনা কোদ ওফ কন্দক্টকী ফ্রেমৱার্ক অদু কুমজা ২০১৭ কী ময়ায় চল্লকপা ফাওবগী মনুংদা লোইশিনবগী ৱাফম য়ানখি অমসুং মেরিটাইম ইমরজেন্সিশিং লাকপা মতমদা শিজিন্ননবা চাইনা-অসিঅন হোটলাইন অমগী গাইদলাইনশিংসু এপ্রুভ তৌখি হায়না ওফিসল চাইনা দেলিনা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ভাইস-ফোরেন মিনিষ্টর লিয়ু জেনমিনা হায়খি, হোটলাইনদুগী দোকুমেন্টশিংদু মথং থাদা লাউসতা চাইনা অমসুং অসিঅনগী মেম্বরশিংগী মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লীদরশিংগী মফমদা শিন্নগনি হায়না পেপর অদুনা ফোঙদোকখি।

# অলেপ্পোগী লাল হৌজিক্কী মতমগী খ্বাইদগী শাথিবা সিটিগী লাল অমা ওইরি

বৈরুট, ওগষ্ট ১৭ ঃ

সিরিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটি অলেপ্পো লৌশিন্নবগী লাল অসি হৌজিক্কী মতমগী খ্বাইদগী শাথিবা অর্বান কনফ্লিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরি হায়না মরু ওইবা হ্যুমেনিটরিয়ন এজেন্সি অমনা হায়রি।

সিরিয়ন গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিং থেংনরিবা রেবেল গ্রুপশিংনা হন্দক চয়োল খরা অসিদা মখোয়গী লাঞ্জংদা মায় পাকপগী মমি খরা লাকখিবগা লোয়ননা সিরিয়াগী হান্নগী কম্মর্সিয়েল সিটি অদু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবগী লাল কনখৎলক্লি।



ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোসকী প্রসিদেন্ট পীটর মাউররনা হায়খি মীওই চা কয়া শিখ্রে অমসুং মশিং থিঙমদবা মীয়াম শোক্লে লোয়ননা মীওই কয়া অমা থোকপা য়াদনা মনুংদা লাংদা থুবগুম্না চান-থক্ল বা পোৎলমশি য়াওদনা লৈরি।

'অলেপ্পোদা কনামত্তা অমদি মফম অমত্তা সেফ ওইদে' হায়না মাউররনা ফোঙদোকখি। 'লেপ্তুনা সেল কয়া কাপ্পরি, য়ুমশিং, স্কুলশিং অমসুং হোস্পিটালশিং সেলশিং অমসুং নোংমৈ মরুনা য়ৌদবা অমত্তা লৈতে। মীপুম খুদিংমক কীনা পাখৎনা লৈনৈ।'

'অঙাং ময়াম অমা কাওঙমদবা অকি-অখঙগী থৌদোকশিংগী মরক্তা লৈরি। অৱা-অনাগী চাং অদুক্কী মতীক ৱাংই।'

চহী মরিরোম অলেপ্পোগী মীয়াম তমথিরবা লাল অদুনা মাংহন-তাকহন্দুনা লাকখি, অদুবু মখোয়গীদমক্তদি হৌজিক্লা হেন্না ফীভম শোকচিল্লক্লি।'

ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রুপ অমগী লিদরগী ৱারোল অদু ইরান্না রসিয়ন ৱার প্লেনশিংবু মখোয়গী লমদগী পাইহন্দুনা সিরিয়াদা লৈবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌবা য়াহনখিবগা ঈরোয়ননা ফোঙদোরকখিবনি।

মমাঙদা অমুক্তা লৌখৎখিদ্রিবা খোঙথাং অদুনা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল অশাদকী মরু ওইবা মীচং অনীগী মরক্তা নীংথিনা কো-ওপরেসন পীনৈ হায়বদু উৎলি। সিরিয়ন গভর্ণমেন্টবু শৌগৎলদুনা হৌখিবা চহী অমরোম অসি মোস্কোনা অলেপ্পো য়াওনা সিরিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চত্থরকখিবনি।

অলেপ্পোগী লাল অদু খুদক্তা লেপত্রবদি লমদম অদুগী মীশিং শাথিবা ৱাখলশিং চেল্লক্কনি হায়না মরু ওইবা হ্যুমেনিটরিয়ন এইদ ৱার্কর অমনা স্কাই ন্যুজদা চেকশিন-ৱা ফোঙদোকখি।

'লাল অসি মখা চত্থবা তারবদি মালেম পুম্বা ৱারগনি' হায়না য়ুনিয়ন ওফ মেদিকেল্ল ক্যের এন্দ রিলিফ ওর্গনাইজেসন্সকী জেদৌন অল জৌবীনা হায়খি।

জেদৌননা হায়রি খুৎলাই পায়রিবা মায়কৈ খুদিংমক্না য়ৌশিনবদা ৱাবা মফমশিংদা চীঙ্গাকশিং অমসুং অতৈ অৱা তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়ৌহন্নবা সিজফাইয়র অমা য়ান্নগদবনি অমসুং মীচম মীয়ামগী অৱা-অনাশিং কোকহনগদবনি।

নুমিৎ ১০ নিগী মমাঙদা রেবেলশিংনা খা থংব শরুক্তা লৈবা রামাউসেহ দিষ্ট্রিক্ট কেপচর তৌরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অলেপ্পোবু লাঙ্গোই চল্লিবদু মচি অমদা থুগায়খি।

ফ্রী সিরিয়ন আর্মিনা হায়রি মদুদি, মায় পাকপা অদু জাবাট ফাতেহ অল-শশম (জে এফ এস) গা কো-ওপরেসন পীনবগী থাক্তা ওইনা হন্থখ্রে। জে এফ এস অসি নুশরা ফ্রন্ট নৎত্রগা অলকাইদা ইন সিরিয়া হায়না খঙনরম্মী।

জিহাদিষ্টশিংনা গ্রাউন্দদা সপ্পোর্ট ফংখিবা হায়বসি পোলিটিকেল প্রোসেস খুদিংমক্কী ওইনা অমসুং লানবুংদা ফীভম লুশিল্লক্লবনি হায়রি।

এম এস এগী কম্মান্দর অবু কুটায়বানা অলেপ্পোগী মনুংদগী স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোরকখি মদুদি, ঐখোয়গা জাবাট ফাটেহ অল শামগগী মরক্তা কো-ওর্দিনেসন লৈনরকপা অসিনা হৌজিক লৈরিবা হান্নদগী খেন্নবা ফীভম অসি লাকহল্লিবনি। কো-ওর্দিনেস অসিগী পান্দমদি রেজিমগী মখুৎতগী এরিয়া অপুম্ববু লিবরেট তৌবনি।

# 'সিরিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থনবা ইরানদা রসিয়াগী পার্মিনেন্ট বেজ লৈতে'

টেহরান, ওগষ্ট ১৭ ঃ ইরান্দগী সিরিয়াদা এটেক তৌবা হৌরগনি হায়না মোস্কোনা লাউথোকখিবা নোংমা লৈরগা ঙসি ইরানগী পার্লিয়ামেন্টকী স্পীকরনা হায়খ্রে মদুদি, রসিয়াগী পার্মিনেন্ট মিলিটরি বেজ অমা ইস্লামিক রিপব্লিক অদুগী মনুংদা লৈতে।

ইরাননা রসিয়ন ৱার প্লেনশিংবু সিরিয়াদা লৈরিবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌনবা মখোয়গী লমদগী পাইখৎপা য়াহনখিবসি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা খোঙথাং অমনি। মদুনা সিরিয়াগী সিভিল ৱারদা চাউনা ইনভেষ্ট তৌরিবা পৱার হাউস অনীগী মরক্তা অচেৎপা কো-ওপরেসন লৈনৈ হায়বদু উৎলে।

ইরানিয়ন ওফিসল অলি লারিজানিনা কম্মেন্টশিং অদু এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতাংদা লৈবাক মনুংদা চিংনবা পোক্তুনা খন্নরক্লিবা অমসুং ঙাঙনরক্লিবশিংদু লেপহন্নবগীদমক্তা পীখিবনি। কুমজা ১৯৭৯ গী ইস্লামিক রিভোল্যুসন মতুংদা রেটিফাইদ তৌখিবা ইরানগী কন্সটিট্যুসন অদুনা মীরৈবাক্কী মিলিটরিশিংবু লৈবাক অদুদা বেজশিং হাংবা য়াহন্দে।

ষ্টেটনা রন তৌবা ইর্না ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌখিবা মহাক্কী ৱারোলশিংদুদা লারিজানিনা রসিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংদুগী মরমদা হকথেংননা খন্নখিদে। রিজনেল ইস্যুশিং মরু ওইনা সিরিয়ন ইস্যুগী মতাংদা ইরাননা মসিগী মীচং ওইবা রসিয়াগা মতেং পাংনখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখিবা অমদা মখোয়না মনাক নকপা ইরানগী সিটি হমেদনদগী ষ্ট্রাইকশিং চত্থখ্রে অমসুং নোরদর্ন অমসুং ইষ্টর্ন সিরিয়াগী টার্গেটশিংদা হিট তৌখ্রে হায়খিবনি।

ফোরন পৱার অমবু মখোয়গী বেজশিংগী মনুংদা অমা শিজিন্নহনদুনা মপান্দা লৈবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌবগী অয়াবা পীখিবা হায়বসি ইরানগী কুইদ্রিবা পুৱারীদা অমুক্তা তাখিদ্রিবা অমনি। রসিয়ানসু সিরিয়াদা চত্থরিবা মখোয়গী ওপরেসনশিংগীদমক্তা মিদ্দল ইষ্টতা লৈবা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগী লম শিজিন্নখিদ্রি। প্রসিদেন্ট বাশার অশাদকী গভর্ণমেন্টবু শৌগৎলদুনা রসিয়ানা চহী অমরোম নোংথক্কী কেম্পেইন অমা চত্থদুনা লাক্লিবনি।






# EMPLOYMENT NEWS

## MDL Recruitment – 04 Executive Trainee (HR) Vacancies – Last Date 01 September 2016

Mazagon Dock Limited invites Application for the post of 04 Executive Trainee (HR) . Apply Online before 01 September 2016.

Advt. No. : MDL/HR-CR/REC/49/2016

**Job Details :**

Post Name : Executive Trainee (HR)
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 16400-40500/-

**Eligible Criteria For MDL Recruitment :**

Educational Qualification : MBA / Two years Post Graduate Degree/ Post Graduate Diploma having First Class or 60% in HR/ HRD/ Personnel Management or Two years Post Graduate Degree/ Post Graduate Diploma having First Class or 60% in Labour & Social Welfare or Labour Studies or Labour welfare/ Personnel Management and / or Industrial Relations with Labour Welfare/ Social Welfare/ Social Work.
Nationality : Indian
Age Limit : 28 years (as on 01.09.2016)

Age Relaxation :
For SC/ST Candidates : 5 years
For OBC-NCL Candidates : 3 years

Job Location : Mumbai (Maharashtra)

Selection Process : Selection will be made on Written Test & Personal Interview.

**Application Fee :** Candidates belonging to OBC Category have to pay Rs. 300/- (including Bank Charges of Rs. 40/-) through SBI Challan at any nearest Branch of State Bank of India (SBI)..

**How to Apply for MDL Vacancy :**
Interested & Eligible candidates may apply Online through the website http://www.mazagondock.gov.in/ from 04.08.2016 to 01.09.2016. and Send the hard copy of Online application along with Challan to CM (HR-CR) Executives Recruitment Section, 02nd Floor, Mazdock House Mazagon Dock Shipbuilders Limited, Dockyard Road, Mumbai-400010 on or before 16.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 04.08.2016
Last Date for Submission of Online Application : 01.09.2016
Last Date for Receipt of Hard Copy of Online Application & Challan : 16.09.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement & Bank Challan Link : http://www.mazagondock.gov.in/newsite2010/MDL_Jobportal/writereaddata/84201634648PMAdvertisement%20No.%2050%20with%20Challan.pdf
Apply Online : http://www.mazagondock.gov.in/newsite2010/MDL_Jobportal/Terms_and_conditions.aspx

## West Bengal School Service Commission – WBCSSC Recruitment 2016 – 4923 Clerk & Group-D Staff Vacancies – Last Date 31 August

The West Bengal Central School Service Commission (WBCSSC) invites application for the post of 4923 Clerk & Group-D Staff (Peon, Laboratory Attendant, Night Guard, Matron, Helper) in Recognized Non-Govt. aided/ Sponsored/ Junior High/Secondary/Higher Secondary Schools in West Bengal. Apply Online before 31 August 2016.

Advt No. : 01/NT/2016

**Job Details :**
Post Name : Clerk
No. of Vacancy : 1707 Posts
Post Name : Group-D Staff
No. of Vacancy : 3216 Posts

**Region wise Vacancies for Clerk :**
Eastern Region: 441 Posts
Northern Region: 274 Posts
Southern Region: 284 Posts
Western Region: 461 Posts
South Eastern Region: 247 Posts

**Region wise Vacancies for Group-D Staff :**

Eastern Region : 738 Posts
Northern Region : 755 Posts
Southern Region : 375 Posts
Western Region : 1034 Posts
South Eastern Region : 314 Posts

Eligibility Criteria for WBCSSC Recruitment :

**Educational Qualification :**

For Clerk : Passed School Final/Madhyamik or its equivalent or Old H.S. in lieu of School Final/Madhyamik or its equivalent.
For Group-D Staff : Passed Class VIII from any School recognize or affiliated by Board/Council or equivalent.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 40 years as on 01.01.2016

Age Relaxation : only West Bengal Domocile
For Scheduled Caste/Scheduled Tribe Candidates : 05 years
For Other Backward Class Candidates : 03 years
For the Physically Handicapped : 08 years
For Ex-Servicemen : 05 years

Job Location : West Bengal

**Application Fee :**
For Clerk : General & OBC-A/OBC-B candidates have to pay Rs.140 /- and Rs. 70/- for reserved (SC/ST/ PH-VH/PH-HI/PH-OH) candidates.
For Group D Staff : General & OBC-A/OBC-B candidates have to pay Rs.120 /- and Rs. 60/- for reserved (SC/ST/ PH-VH/PH-HI/PH-OH) candidates.
Candidates have to pay fee through Internet Banking or Debit card or Credit Card, instantly through online OR through printed Bank Challan with Cash at Allahabad Bank branch in West Bengal OR through Sahaj Tathya Mitra Kendra by cash instantly.

**How to Apply WBCSSC Vacancy :**

Interested candidate may apply Online through the website www.westbengalssc.com from 10.08.2016 to 31.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 10.08.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 31.08.2016

Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.westbengalssc.com/sscorg/wbssc/download/ntnotice/Notification-NTRLST-2016_final.pdf
Apply Online : http://www.westbengalssc.com/sscorg/wbssc/home/